এডিটোরিয়েল

শাজিবুগী ১৯নি পানবা নিংথৌকাবা, এপ্রিল ০৬ , ২০২৬

[illegible]

চেঙ্গোই তুরেল

লমদমসিগী পুৰারীগা তৎনা থানবা য়াদনা ঙসিফাওবা লাক্লিবা নাৎকি চৎনবী অমনা চেঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়বা নাৎকি থৌরম অসিনি। মপূং ওইনা ঙশি ঙশিমক লমদমশিগী নিংঙোল ওইবী কয়ানা চেঙ্গোই ঈরুপ্পরিবসি নোংমাইজিং চীংগী চীংখোঙ, গৌরনগরগী নোংচুপ থংবদা চেল্লিবা চেঙ্গোই তুরেলদনি। চেঙ্গোই তুরেল অসি নোংমাইজিং চীংদোনগী অৰাং থংবদা লৈবা অমম লৈশারোক্তা লৈবা পান্থোইবী শুরুংদগী হৌরক্লগা অৰাং পাংনা চেন্থরক্তুনা শঙশাবি, শঞ্জেনবম, খরাশোন্নচিংবা খুনশিং ফাওনা চেল্লক্লগা লমখাঙদা অৰাংলোমদগী চেল্লকপা ইতম তুরেলগা ঈতিন্নরবা মতুং শওন্থুং কবুই খুঞ্জাওগী খা থংবা খুনয়া নক্লা ইরিল তুরেলদা ঈতিল্লি। লৈকোই চিকংলেন কৌবা অরিবা লাইরিক্তা অমম লৈশারোক্তগী হৌরক্লগা চেঙ্গোই তুরেল ওইনা চেন্থরক্লিবা লোক্কি মমিং শমজিরোক কৌই হায়না ইরম্মি।

লৈকোই চিকংলেন হায়রিবা অরিবা লাইরিকশিদা চেঙ্গোই তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা লোক্কি মমিং শমজিরোক কৌখিবগী মরম থাদুনা ইরম্বা ৰারোলদা –নোংমাইজিং চীংগী অমম লৈশারোক্তি লাংপান ৰাপান মরুনা কোয়রিবা মনুংদা নূংনা মীশক থোকপা অমা লৈবনে। মহাক অদুবু নোংপোক্কি লাংওন্নে। লাংনা, উনা, ৰানা, উরীনা কোক্তোন দা চুরা ওইরিবনে। চুরা হামুল তারিবা অদুবু কৌবরু খোয়রী লিলশাংনা য়েৎলিবনে। মমিংদি রুপারাক য়োমশং কৌএ। নূংগী লাইশক মখূৎনা চুরা মশমতোংবু পায়না লৈরিবনে। অদুগী শমজিরোক হায়না কৌরিবনে। মচুদি উতী চুম্বগুম্বনে। হৌজিক য়ৌনা তারিবনে। অসিনা তাররবদি লৈপাক মরা তাউএ, পূক শাউএ, লৈপাক মচা পুন্সিদে। তারিবা লীক্লা অদুবু শরেল ঈপুবনে। মচু ঙৌনা শংবনে হায়না ইরম্মি।

চেঙ্গোই তুরেলগী মমিং চেঙ্গোই নারল ঈ হায়না কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো হায়বদা – নুংবান হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মদাইরেম লৈথিন নোংথিনয়াঙ হাঙওকু চৰাইয়াঙ অয়াঙবনা ৰাক্লেন মতাং অমা কক্লগা লাইজা ঈৰাল্লকপবু লাংবন তৌশাং ঈ, লীক্লা পিশিন্তোনগুম্ববু ৰায়থুংলৈএ। হোঙনেম লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা শেল্লোই চীংয়াচাউদা নুংবান ইহাক চৎ, লুৰাং ইখোঙ ফংনা লাইজা ঈৰানগে হায়না মরাল থৌচৎলকপদা তরা চেঙ মচং, তাউবা হুইয়া মানবা তেক্তববু তরা চিপূং শানা পৈরমএ। অদুনোংগীবু নুংবান চেঙ্গোই নারলঈ–ও তৌনা কৌখি।

চেঙ্গোই তুরেলগী হৌরকফম মরু ওইরিবা নোংমাইজিং চীংসি মনিপুরগী কোনুং ইম্ফালদগী নোংপোক মায়কৈদা চাউরাক্লা কিঃ মিঃ ১৬ লোম চৎলগা লৈবা মনিপুরদা লৈবা চীংশিংগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং চৎপা চীংনি। লমদমশিগী পুৰারীগী অঙনবা মতমদা চীং অসিগী মমিং ওম তরং হায়না কৌরম্মি। অদুগা খরা থেঙথরবা মতমদনা শেল্লোই লংমাইচীং হায়না খঙনৈ। চীংসিগী অৰাংবসি শমুদ্র ঈমায়দগী ফুত ৫১১৬ লোম ৰাংই। চীংসিগী মরমদা ইরম্বা অরিবা লাইরিকশিং হায়বদি নোংমাইজিং থিরেল, নোংমাইজিং চীঙ্গোইরোলনচিংবদা চীংসিগী মশা মরেংনা অৰাং, খা অমশুং চীঋো পাংলপ্পা শন্দোকখিদুনা চীংশা নাপোম মাপল শুবা, ঈশিং চেনবা ঈরোক তরেৎ শুবা চীংনি হায়না ইরম্মি।

মনিপুর পুৰারীগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী নোংমাইজিং চীং অসি মনিপুর পুৰারীগী ঈচেলগা

তৎনা–থানবা য়াদনা শাগোন্নদুনা লাক্লবা য়াম্না মরু ওইবা চীংনি। লমদমসিগী অরিবা লাইরিকশিংদা চীং অসিগী মতীক মঙন শৈথাবদা – চীংলেন পল্লংলা, খোইয়ম লাইবুংথোন অৰাংবা, ঈরোক লাইচম তরেৎ, চীংশা নাপোম মাপল শুবা, শেল্লোই চীংয়াচাউ, মঙন তরং ৰাংবা চীং, লংমাই হান্না শাবা চীং, চীংলেন খূৎলামখাম, শেল্লোই নীক্ননি হায়বগী তেৎনৌ য়োৎপী হুইথা চীং, য়াৰানা পুবা চীং, কোনখাংনা তাউবা চীং, লোক্তু খোমতুনা, লোক্লেম লাল্লেন্না শেন্বা চীং, পেরুক পেরাইনা শেন্বা চীং হায়না শৈথারম্মি।

চীং অসিবু শেল্লোই লংমাইচীং হায়না কৌখিবগী মতাংদা পাখংবা ফম্লুপ অমদি লোইয়ন্বা শিলয়েন কৌবা লাইরিক্তা শৈথাদুনা ইরম্বা ৰারোলদা – পাখংবনা লৈনুংদগী নূংমু তোংদুনা তাইবংপাল ফাওনা নূংকাং গুম লংখৎলক্লে হায়বগী লংমাইচীং কৌই, তাইবংপানবা অসিবু হেনবা অমা লৈতে হায়না শেল্লোই হায়বগী শেল্লোই লংমাইচীং কৌই হায়না শৈথাদুনা ইরম্মি।

নোংমাইজিং চীংগী চীংশা নাপোমশিংদগী চেন্থরকপা ঈশিং চেনবা ঈরোক লাইচম খরগী মমিং পনবা তারবদি – য়োংচুন্নোক, য়ুংশুলোক, নিংথৌলোক, হূইমাঙলোক, মোইকোইলোক, শমজিলোক, কল্লকপলোক, লাইহল্লোক, লাইশিলোক, খোংজি য়াইনলোক, ওকচনলোক, তেন্থালোক, লমদাইলোক, খামেনলোক্লচিংবা পনবা য়াই। নোংমাইজিং চীংগী চীংশা নাপোমশিংদগী চেন্থরকপা ঈশিং চেনবা ঈরোক লাইচমশিংগী মনুংদা শমজিলোক হায়রিবা লোক অসিনা চেঙ্গোই তুরেল কৌনা অৰাং পাংনা চেন্থরকই।

চেঙ্গোই তুরেল অসি অপীকপা তুরেলশিংগী মনুং চনবা তুরেল অমা ওইজরবশু লমদমসিগী য়াম্না মরু ওইবা অচৌবা নাৎকি থৌরম অমগা শাগোন্নদুনা লাকপা তুরেলনি। তুরেল অসিদা মনিপুর পুৰারীগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম খৃস্তগী তরেৎশুবা চহীচাগী মতমদগী চেঙ্গোই লূপ্পা হায়বা লমদমসিগী লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা নাৎকি থৌরম পাঙথোক্লদুনা লাকই । লমদমসিগী লৈবাক মীয়াম্না কুমজা কুমওন খুদিঙ্গী লমতা থাগী নিন্দুং ২৮ নি পানবা থাবান নুমিত্তা চেঙ্গোই তুরেল অসিদা ঈরু শান্দেং লগা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা চেঙ্গোই লূপ্পগী থৌরম পাঙথোক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা চেঙ্গোই তুরেল অসি লমদমসিগী নাৎকা তৎনা থানবা য়াদনা শাগোন্নদুনা লাক্লবা তুরেলনি ।

চেঙ্গোই তুরন্দা চেঙ্গোই ঈরুপ্পা হায়দুনা পাঙথোক্লরিবা নাৎকি ওইবা থৌরম ভ্রসি করম্বা মতমদগী করি করম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা পাঙথোকপা হৌরকখিবগে হায়বগী লীখুল হনগৎনা য়েংলম্বা তারবদি চেঙ্গোই লূপ্পগী থৌরমসি মনিপুর পুৰারীগী খৃস্ত কুমশীং ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মতমদগী থৌরমসি

নাউরোইবম ইন্দ্রমনি

পাঙথোকপা হৌরকখিবগী লীখুল নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা কৌবা অরিবা লাইরিক্লা পী। হায়রিবা লাইরিকসিনা পীবা থৌরমসিগী মমল য়াল্লবা লীখুল ৰারোলদি –

মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা পাখং শরেপ ফারক্লবা মতমদা নোংমা মপা ইবুংঙো মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগা খৎনবদগী কোনুং থাদোক্তুনা চেনখ্রগা নোংমাইজিং চীংদা পানবা শেল্লোই লংমাইগী লমদা শেল্লোই লংমাই নিংথৌ ৰামৈ লান্থাবনা পোকচবি নোংমাইনু পেতঙঙা লীক্লু লৌথিবি লৌরগা শেল্লোই লংমাই লমদা শাইদাংদুনা লৈখি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নোংমাইজিং চীংদা লৈবা শেল্লোই লংমাইগী লমদা নোংমাইনু পেতঙঙা লীক্লু লৌথিবী লৌরগা য়াওঙ ইন্দুনা লৈরিঙৈ নোংমা মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবগী মনাই নোংবান কদেম শোয়শেনবনা লম্লেন খোম্বীতোক উঙাম্পেগী তোং জেংশোয় খাবৈপূংদা শীংঙুৎ নাচুং য়ৈনা লু থুমদুনা শোয় নাপ্লিঙৈ ময়ীম শেল্লোই লংমাইশিংনা থাঙঙা য়ৌখান থেঙ্গে, খুনফম ঙাংচেং নেৎকে, হাওকপ চীংশাং য়ৌগে হায়না হুয়েন লান লাকপা উবদা মৈদিংঙুগী মনাই কদেম শোয়শেনবনা কিবদগী মশাদা ঙা অপুম্বা তৈশিল্লগা শিশিন্নদুনা লৈরিঙৈ শেল্লোই লংমাইশিংনা মৈদিংঙুগী মনাই কদেম শোয়শেনবসিদি শিরমালে হোরেল হল্লকপদা মঙক লুরেল কক্লসি হায়না তাথি তাওইনা তৌবিরম্বগী মলোম্না মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা শেল্লোই লংমাইশিংবু ঙম্না হাংখি। মসিগী মলোম্না শেল্লোই লংমাইশিংনা মৈদিংঙুচা নাউথিংখোংবু হাংলগা লমন শিংনবা হোৎনরকখি। থৌদোকসিদা লৌশিং চাউবি পেতং ঙা লীক্লু লৌথিবীগী মথৌরাংনা মশাবী মৈদিংঙুচা নাউথিংখোংবু লোম্না য়ূমগী ফক্লাং হোগাইরগা নাম্থোক্তুনা চেলহল্লকখিবদগী নাউথিংখোংগী মথ্থায় হিংজরকখি।

নাউথিংখোংনা মশানৌ পেতংঙাগী য়াৰা তুংইন্না খুমনগী লমদা চেনখ্রগা খুমন্দা শাইদাংদুনা লৈরিঙৈ খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সি য়ুমোইবনা মমোম কৈরুংহাংবিবু নাউথিংখোংদা লুহোংবিদুনা মতম খরা খুমন্দা শাইদাং দুনা লৈখি। মতম খরা খুমন্দা শাইদাংদুনা লৈরিঙৈ খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী য়াথংনা নাউথিংখোংনা লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মনাক্তা অমুক লাক্তুনা লৈঙাক্লোন অমদি শা–লানগী মহৈ তমদুনা লুৰাং লমদা শাইদাংদুনা লৈরিঙৈ মতমদা কংলৈ লমদা মপা ইবুংঙো উরা কোন্থৌবা নোঙ্গাখিবদগী নিংথৌ ওইবিনবা লৈত্রবদা পলেম মমা খাবরোল নোংজেংশূনা মপারি নাউথিং থিংখোংবু নিংথৌ ওইরনবা লুৰাং লমদগী কৌহল্লখি।

নাউথিংখোংনা পলেম মমাগী য়াথংনা লুৰাং লমদগী কং লৈ লমদা কারক্লবদা মপা ইবুংঙো উরা কোন্থৌবগী মহুৎ শিন্না কংলা ফম্মোইমিৎ ফম, ফল্লাংমৈ তোংনা কংলৈ নিংথৌ ওইদুনা খুমন নিংথৌগী মমোল্লোই খয়োইরোল কৈরুংহাংবিগা য়েৎকা ওইগা ফম্মিন্না, নুংঙাই মরাং কায়না পানমিন্নরে। মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মশানৌ শেল্লোই লংমাই নিং ঙোল নোংমাইনু পেতংঙানা মশাবি নাউথিংখোংনা কংলা ফল্লাংমৈ ফম্না পোইরৈ নিংথৌ ওইরে তারবদা অদুঙৈ মশাবি নাউথিংখোংগা কায়নরমদাই মীকূপ্তা মশাবি নাউথিংখোংনা হয়েং কংলা ফম্মোইমিৎতা ফমদুনা নিং থৌ ওইরবা মতমদা মশানৌ নোংমাইনু পেতংঙাবু লৈমরেম্বী ওইহনগনি হায়না পাউমেন্নখিবা ৰাগী তুংইন্না পেতংঙানা মশাবি নাউথিংখোংগী শমু ওয়রম থানা ফমদুনা লৈমরেম্বী ওইরুরগনি খন্না মশাবী সনা কোনুং তান্না লাকখি।

পেতংঙানা সনা কোনুংদা চঙলকপা মতম অদুদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংদি খুমন চনু কৈরুংহাংবীনা লৈমরেম্বী ওইনা শমু ওয়রম থানা ফম্বাল লাংদুনা লৈরিঙৈ মতন্নি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ নোংমাইনু পেতংঙা লীক্লু লৌথিবিনা চঙলকপা হেক উবদা অদুঙৈ মহাক্কি য়াইবি থৰায় কনবিরকখিবি পলেম মমা শক্লবিনি খন্না হরাউ হরাউ পলেম ইমা শকপি চঙলকউ লাউ ঐগী শমু য়েৎলম থানা ফম্লোলাউ হায়না কৌশিনববু মশানৌ নোংমাইনু পেতংঙা লীক্লু লৌথিবিনা মশাবি নাউথিংখোংনা মাবু মীরাইবিরে হায়না লান্না খনখিবদগী মথম্মোয় কায়খিদুনা শঙ্গাই য়ূময়াঙ খায়না লাই ওইখি।

মশানৌ নোংমাইনু পেতংঙা লীক্লু লৌথিবিনা মথ্থাই নুংঙাইতবদগী মনুং মতম চাদনা নোঙ্গাখ্রবদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ পেতংঙাগীদমক থম্মোই শোক্লা নুংঙাইহৌদবদগী মশানৌ পেতংঙাগী হৌফম শাৎফম ওইবা শেল্লোই লংমাইচীংদা চেনবা চেঙ্গোই নারন ঈদা লৈবাক মীয়াম হূপ্পা চৎতুনা চেঙ্গোই তুরেন্দা ঈরু শান্দেংলগা মশানৌগীদমক হৈরাং লৈরাং কৎতুনা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লৈবাক মীয়াম হূপ্পা মশানৌ পেতংঙাগীদমক চেঙ্গোই তুরেন্দা ঈরু শান্দেংলগা চেঙ্গোই লূপ্পা থৌরম পাঙথোকপবু কজহী কুমজা খুদিঙ্গী লৈবাক মীয়াম্না চেঙ্গোই লূপ্পা থৌরম পাঙথোক্লবা নিংথৌ ময়াথং লাউথোক্লুন্দবদগী ঙশিফাওবা চহী খুদিঙ্গী লমতা থাগী ২৮ নি পানবদা লৈবাক মীয়াম্না নোংমাইজিং চীংগী চেঙ্গোই তুরেলদা ঈরু শান্দেংলগা মৈরা মৈশেংগা লোয়ননা হৈরাং লৈরাং কৎচদুনা চেঙ্গোই লূপ্পা নাৎকি থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চেঙ্গোই লূপ্পা হায়বা কূম্মৈসি মতম অমদা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা লাইথৌ কূম্মৈ অমা ওইনা পাঙথোক্লরম্লবশু অদুঙৈ ইনিং থৌ বোধচন্দ্রনা নোংমাইজিং চীংগী চীংথক্তা লৈবা অচৌবা অপাকপা থেন দা বারুনি মহাদেবগী খুভম লিংখৎলম্বা লোয়ননা গৌরগোবিন্দ লিংখত্তুনা নোংমাইজিং চীঙ্গী চীঙ্খোঙদা গৌরনগর খুভম শেমগৎলম্বগা লোয়ননা চেঙ্গোই লূপ্পা নুমিৎকা ফাংজিন্নমা বারুনি মহাদেব খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোকপা হৌরকখিবদগী মনিপুর পুৰারীগী থৌদোক ৰারী অমগা তৎনা থানবা য়াদনা শাগোন্নদুনা লাক্লবা চেঙ্গোই লূপ্পগী থৌরমসি নোংমা নোংমগী মমি শামজিল্লকপগুম তৌরক্লে। মীরোল খরগী তুংদদি থৌরমসি লৈবাক মীয়াম্না অকাউ পরৈ চন্নরক্তুনা নোংমা নক্তগা নোংমদি মপূং ফানা মূৎখিদুনা চেঙ্গোই তুরেলগা লমদমসিগী নাৎকা লৈনবা মরী অমদি পুৰারীগা শাগোন্নবা নুং শিরবা থৌদোক ৰারীনচিংবশিং মতম পূম্বগী ওইনা মতমগী ঈরোন্নুংদা লূপ্তুনা লৈখ্রগদ্রা হায়বগী অকিবা চাউনা লৈ।

মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবীয়ু মীয়ামদা চৈথেং ফংহনবদি অচুম্বা ওইরোই

লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলকপা থৌরাং থৌশিল অদুনা মীচম মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পিরবদি অমদি ফংহল্লবদি লৈঙাক অদুনা মঙজ রিবা মঙলান অদু থুংবা ৰাগদ্রা হায়না খল্লি। লোয়ননা থৌরাং অদুগী পান্দমসু ওন্ন তৈননা চৎখিবা য়াই। ২০২৩ গী মে ৩ দা থোকখিবা ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা হৌজিকসু রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীচম মীয়াম আই দি পিশিং মশা–মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি তৌহৈদবা থবক অমনি। তৌহৈদবা হায়বদি সেন্সস পাঙথোকপগী অশেংবা ৰাহন্থোক লৈরোই হায়বনি। হেন্না লুরিবদি লান অসিগী মনুং অমদি মমাংদগী হৌনা ইন্দিয়াগা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদগী মীতোপ অঙকপা ফংনা চঙশিল্লক্তুনা খুল তাশিন্দুনা মীওই লাক্ষ কয়া লৈশিনখ্রবনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৰাফমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি য়েলহৌমী মাঙখিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্ননি। মরম অদুনা লমদম অসিগী সী এস ওশিং, মৈরা পায়বি ইমা–ইবেলশিং, লুপশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী লুচিংবশিংনা হৌজিক সেন্সস পাঙথোকপা মতম চাদ্রি হায়না য়াম্না কন্না লাউরিবনি। মসিদা নম্ফুদা সেন্সস তৌনবা হোৎনরক্লবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক–ৰাথোক কয়া অমা শোয়দনা থোক্লক্ননি। ইন্দিয়াগী সেন্সসকি পুৰারিদা সেন্সস তৌবা মতম চাদবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। ১৯৪১ মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাউ, ১৯৫১ ইন্দিয়া–পাকিস্তানগী মরক্তা উংখৎনরকখিবা, ১৯৬১ দা অরুনাচল প্রদেশতা লম্বী–থোং অমদি ইনফ্রাস্ট্রকচর ফৎতবনা, ১৯৭১ দা নাগালেন্দা লালহৌবগী ঈরাং লৈবনা, অসামদা অচৌবা ঈহৌ লৈখিবনা ১৯৮১ সেন্সস পাঙথোকখিদে। লোয়ননা ১৯৯১ দসু জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সেন্সস পাঙথোকখিদে। মসিদা নত্তনা ২০২১ দসু কোভিদ–১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা সেন্সস পাঙথোকখিদে। অসুম্না মণিপুরদসু ২০২৩ গী মে ৩ দা থোকখিবা ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা মপুং ফানা তন্দু লৈতনা লৈবা ঙমদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা সেন্সস পাঙথোকপা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কি মাঙজবা ওইগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা সেন্সস অসি তুংগী মীরোলগী য়েংলগা য়ৈথোকপা মথৌ তাই। মীয়াম্না হৌজিক লাউরিবসি সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা নত্তে, ঈরাং লোইরবা মতুং, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই দি পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লগা অমদি চঙশিল্লকখ্রিবা মীতোপশিং খন্দোক্লবা মতুংদা সেন্সস অদুমক পাঙথোকপিয়ু হায়বনি।

অতোপ্পা লৈবাক্তগী চঙশিন্দুনা লৈরগা অতম্নমা অরানবা মওংদা লৈবাক অসিগী সিটিজেন্ট ওইনবা মীতোপশিংনা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা সেন্সস পাঙথোকখ্রবদি তুংলমচৎতা য়েলহৌমীশিং মমি শোয়দনা শামহৌরগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াদা পায়খৎলিবা দিভলপমেন্টকি থবক থৌরম পূন্নমকসু সেন্সসকি দাটাদা য়ুম্ফম ওইরগা পায়খৎলক্কদৌবা ওইবনা লমদম অসিগী মীচম মীয়াম্না ফংখিগদৌবা চাকথুং মীতোপ্পা ফংখিগনি। মসিদা নত্তনা হেন্না নুংনাংলিবদি মীতোপশিংনা পোলিটিকেল পৰার পায়শিল্লকপা অসিনি। মীখলদসু মীতোপশিংনা দিসাইদিং ফেক্টর চাউনা ওইরকখ্রবনি। লোয়ননা মীকোক্তা বেজ তৌরগা দিলিমিটেসন তৌরক্কদৌবা মরম্না লমদম অসিগী পোলিটিসিয়ানশিংনসু হীরম অসিগী মতুংদা য়াম্না মুন্না খন্থুহৌরগা থবক তৌবা চঙই। সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈ মীতোপ–মীয়ানচাশিং খন্দোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মী অমা ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওই অমদি ওইদে হায়বসি সিটিজেন্টসিপ এক্ট ১৯৫৫, ফোরেনর এক্ট ১৯৪৬ অমদি ফোরেনর ট্রাইব্যুনেল খক্তনা লেপক্ননি। আধার কার্দনা লেপ্পা য়ারোই। হৌজিক্কি ওইরিবা ফীভম অসিদা স্টেট অমগী তশেং–তশেংবা সিটিজেন ওই অমদি ওইদে খঙদোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দ্বৈদি এন আর সীনা ওইরি। মরম অদুনা মণিপুরদা সেন্সস তৌগে হায়রবদি এন আর সী তৌরবা মতুং খক্তদা পাঙথোকপনা অশেংবা সেন্সসকি দাটা অদু ফংবা ঙমগনি। নৎত্রবদি মণিপুরগী মীয়ামদা তুংদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদৌবা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বদু থোক্লগনি। স্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়াম্না নীংথিনা হীরম অসিগী মতাংদা তরেৎ–তরা থোক্লা খন্থরগা সেন্সস তৌহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মীয়ামগী ঈহুল খঙবিয়ু, অচুম্বা সেন্সস পাঙথোক্তুনা লৈবাক অমগী অশেংবা লুচিংবা ওইদুনা মীৎয়েং শান্না থবক তৌবিয়ু।

হৌজিক্কী মীতৈ নুপীশিংগী ফিজোলদা হোংলক্লিবা মশক–২

প্রো তোইজম তম্ফা– ডীন, স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ, এম য়ু

মমাঙ নিংথৌকাবগী মখা

ইমুং মনুংদা য়ুম অমগী য়ুম্লরেম্বী ওইরিবী নুপীশিং, মমাশিংনা খুন্নাই অসিগী চৎনবী ওইনা ফনেক ফিদোন চিংখত্তুনা শেৎপা, তুংগী শরূক (নিংজোল) খুম্বা ফি অমা ইনবা চৎনরকই। ফিজোল অসিনা নুপী অদু ময়ুম পাল্লবীনি খঙহল্লি। মকু, মতৈনচিংবা উবদা ইকায় খুন্নবা উৎপা অমসুং নুপী ওইবীগী অমদি মমৌ, মনাওনুপী ওইবীগী মায়থোঙ মপুং ফানা উৎপা তৌহৈদে হায়বা লাইওইখ্রবা ইপা ইন্দোলশিংগী অশাংবা পূন্সিগী এক্সপরিয়েন্সতগী ফংলকপা কান্নরবা চৎনবী লৈজরকই। অদুবু চাউখৎপগী মঙালদা অথেনবা পূক্লিং ৰাখলনা থুমহৎখিদুনা মকু, মতৈগী মমাঙদা মকোক খুন্বগী ফজখ্রবা ৰাহন্থোকপু ঙসিগী মীরোলনা নোংমা নোংমগী মাঙহল্লকপা হৌরক্লি। মসিনা ইমুং মনুংগী লৈনগদবা মরী কোমথরক্তুনা খুন্নাইদা তাহৈদবা উহৈদবা কয়া তাহল্লকই, উহল্লকই। মমা অমা ওইনা মচাশিংদা খঙহনগদবা নাৎকী ফজখ্রবা চৎনরোল ময়েক শেংনা মচাশিংদা খঙহনবা ঙল্লক্ত্রে। মসিনা ফুরূপ অসিগী শক্তম কায়হল্লক্লবগী মরু হুনবা ওইনা থোক্লকই। ইমুং মনুংদগী শন্দোরকখিবা অরানবা শেৎহৈদবা ফিজোলনা কৈরোই লৈকাই য়ৌরকপদদি অহল লমন মশক খঙনা থৌগল্লোন উৎপা ঙল্লক্তে, মশানা মশাবু চুন্না শক্তাকচবা ঙমহন্দে। য়ূম পাল্লবী নুপীশিংনা য়ূম পান্দ্রিবী লৈশাবীগী ফিজোল শেৎ–চাদুনা লমজাও শারোক, মীয়াম তিনবা মফম য়ৌরকপদদি খুন্নাইদা ৰাথোক লান্থোক (ক্রাইম) থোক্লকহন্নবগী মচাক ওইরকই। চৎনবী ফিজোল হায়বসি ফূরুপ্তুগী শক্তম তাক্লবা পূন্সিগী থাক শীনফম্নচিংবা খঙহন্নবা পাম্বনি, খুদমনি হায়বসি হেক হেক কাউনরকপগুম্না তৌরে। অমরোমদা শীজিন্নবদা নুংঙাইবা ফংই হায়দুনসু ইশাগী শক্তম মাঙহনবা ফিজোল কৈদৌনুং দা শেৎলোইদবনি। অকে অমৌ হরাও কুম্লোনচিংবদা পাম্মী হায়দুনবু কা হেন্না মকে শেমদুনা অয়েংবশিংনা (নুপা) উবদা অরানবা ৰাখল পোকহল্লক্কদবা ফিজে াল শেৎ–চাবনা কেজরিবগী মমল লৈহন্দে। মীতৈ নুপীশিংনা মাঙলমচত্তগী ঙাক্তুনা লাক্লবা লম য়ৌনা কেদুনসু কেব মালহন্দনা কেবগী ফজবা, অপাবা ইন্নফিগী মরুমদা লোত্তুনা থল্লিবা নুপী ওইবীশিং গী মমল য়াল্লবা মরলবু কমদৌনা লমদমসিগী ইমা ইবেনশিংনা ঙাক্লা ফিজোল শেৎলম–ইল্লম্বগে হায়বসি অমুক্তং হনগৎনা য়েংবা চঙই। ইশাগী ইরলদি ইশান ঙাকচগদবনি। ইশাগী ইরলবু মমল লৈহনবা হায়বসি ইশাগী ফিজোলগীসু মখা পোল্লি হায়বসি নুপী ওইবীশিংনা কাউফম থোক্তে।

মীওইবনা পুন্সি খোঙচৎকা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং শরুক য়াদুনা চৎলি। পোকপগী থৌরমদা মমা ওইবীনা ফনেক্কী শীজিন্নফম খঙনা ফনেক শেৎনৈ। লুহোংবগী থৌরমদা নিঙোল পোকপী অমসুং পিবা পোকপীনা মরাক তাইবী ইন্নফি ইন্দুনা মপান নাইবী ফনেক ফিদোন চিংখত্তুনা নৌনা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারক্কদেরিবা মচাগী য়াইফ থৌনীদুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অদুবু কনাগুম্বী মমা ওইবীশিংনা ঙসিদগী নিঙোল পিবা অমত্তা ওইরবনি হায়বগী খুদম ওইরিবা মরাক তাইবা ইন্নফি ইনবগী মহুত্তা পামজবা ফি অমা হেক্তা ইনশিনবা, ফনেক খোইখা শেত্তুনা চেঙফু অমসুং ফিরুক্তা চেঙ হৈবসু য়াওরক্তবা নত্তে। মসিমক মশাগী চৎনবী ফিজোল মশক খঙদবগী খুদমনি। মীতৈ ফুরুপকী নাৎকী মচল অমা ওইরিবা ফিজোলশিংগী নুংগী ওইবা ৰাহন্থোক খঙনা মীতৈ নুপীশিংনা ফিজোল শেৎ চাবনা মচা মশু ওইবশিংবু চাদা নৌদা শন্দোকহন্দুনা খুঞ্জাও লৈচাউবা খুন্নাই ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। নৌনা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদারক্লিবী নিঙোলশিংনা লুহোংবদা অশংবা মচুগী ফুরিৎ লিৎলিবসি মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী ইমাগী শক্লোন্নি হায়না লৌনরি। অদুবু ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদদি অঙাংবা মচুগী ফুরিৎ লিৎপগী চৎনবী অমা উবা ফংলক্লি। লুহোংবদা শরুক য়ারিবী য়ুম পাল্লবী নুপী অয়াম্বনা মচা নিঙোলশিংগুম্না ফনেক খোইখা শেৎপা, ইন্নিংবা মচুগী ফি ইনবা, মঙানি চাক্নৌবদা লুহোংলবী নুপীগা মান্ননা মমান্নবীশিং, মচে মনেমশিংনা ফিজোল শেৎ–ইনবগী মশক উবা ফংলক্লি। মসিনা কনানা কনানো, য়ুম্বাল্লবীনা করম্বনো, পান্দ্রিবনা কনানো হায়বসি খঙবদা ৰানা থোকহল্লি। শেৎলিবা ফিজোলনা মীদুগী অচুম্বা অশেংবা মশক খঙবা ঙমহনেদ্র। ফজবা থিবগী ৰা নত্তনা পাক শন্না শম থাদোক্তুনা অকে অমৌগী থৌরমদা নুপী ওইবীশিংনা শরুক য়ারক্লি। মতম অমদা য়ুম পাল্লবী নুপীশিংনা শল্লাং খোমগত্তুনা পুনশিন্নরম্বগী মশক খরগী মখৈদি মাঙশিল্লক্লে। মতাংনা, মতন্না, শীনফম্না য়েংশিনবীবা ঙমদবদগী শম তেন্না কক্লবসু য়াওদবদি নত্তে। অদুবু মদুগী মরুমদা থওইনা য়ুম পান্দ্রিবীগুম্না কেনিংবদগী শম পুন্দবসু কয়ানি। অকে–অমৌ, হরাও কুম্মৈদা ইল্লিবা শেৎলিবা ফিজোলসু মশক মচু থোকহনবদা লৈতেংগী পোৎলমশিংগী মফম চাউনা লৈরি। লাই হাক্তক্তগী হৌনা লাই নুরাশিংনা কোকশেৎকী মথক্তা মাঙলোমদা লৈরেন লৈজাও অনী থেৎলি, তুংগী শমজি য়োমশিল্লি, খাউওন ফুরিৎ, কাব্রংগী ফনেক, লাইফি কনাপ ফিনা খ্বাঙদা খ্বাঙশেৎ শেৎলি হায়না মৈতৈ জ গোয় (অনোয়রোল)দা য়াওরি। লৈমরেম্বীনা ফম্বাল তোংবদা ১) কুক্লং ফনেক, ২) থারোন ফনেক, ৩) কাব্রং কনাপ থোকপা, ৪) ফিরেন কনাপ অমসুং ৫) শরোং নমথাং হায়রিবা ফিরোল মঙা অসি শেৎলি। তোঙান তোঙানবা খূৎকী, নাগী, ঙক্কী, লৈতেং শীজি ন্নৈ। মীতৈ নুপীশিংনা মাঙলমচৎতগী নিংথৌকোন্দগী থংথরক্তুনা মীচম মীয়ামন শীজিন্নরক্লিবা ঙক্কী লৈতেং শিংদা অহোংবা কয়া লাকপা থেংনৈ। ঙক্তা শিরিবা লিকশিংগী অক্তনবা মরু মশীং লৈজরকই। খুদম ওইনা কোন্দুম পরেংগী লিক মরু ১১–১৬, কিয়াম লিকফাংগী ৪০, কাংশরিক্কী ৬০, অংকোৎ পরেংগী ৮০–১০০, বোকুন পরেংগী ১০০–১২০, মরৈ পরেংগী ৭০–৮০, থরোই মনিংগী ১০০–১২০, শন্দ্রেম্বী পরেংগী ৮০, হৈবী মপালগী ১০০–১২০ ফাওবা ওইরম্মী। লিকশিং অসিগী মনুংদা জুরা ওইনা শিগদবা লিক্তি থরোই মনিং অমসুং মরৈ পরেংনি। হায়রিবা লিকশিং অসি হৌজিক্তি চপ চাবা মরু মশীং শুদ্রবস শিনিংবা মওংদা অমসুং মশীংদা শাদুনা শীজি ন্নরক্লে। মসিনা মপান লমগী মীশিংদা অশেংবা লিক্কী অচুম্বা মশক মওং খঙবা ঙমহন্দে।

অৰা–অনা, অশিবগী থৌরমদা অঙৌবা মচুগী ইন্নফি, উরৈরোম মচুগী ফনেক শেৎপা মতম শাংনা চৎনরক্লি। মসিগী মমাঙ ঙসিদগীনা চহী ৮০–৯০ মুক্কী মমাঙদদি লৈজ লৈজবা মচু মচুগী ফি ইন্দুনা অরৈবা ফনেক মপান নাইবা শেত্তুনা অশিবগী থৌরমদা শরুক য়ানরম্বগী চৎনবী লৈনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি নুপী ওইবশিংগী ফিজোলদা লাক্লিবা অহোংবসিনা মরম ওইদুনা নুপী খরদি উরৈরোম মচুগী ফনেক অমসুং শঙ্গোম মপান মচু, হৌরুনবা মচু, ৰাউথাংনবা অমসুং লৈ মচুগী ফনেক, অঙৌবা অমসুং শঙ্গোম মপান মচুগী ফি ইন্নবসু য়াওরক্লি। মসিনা অশি–অনাগী থৌরমদা শরুক য়ারিবশিংনা অৰাবা তারবশিংগী অৰাবদা শরুক য়ামিন্নরম্বদগী অকে –অমৌগী মওংদা লৈজবা শেৎ–চাদুনা চুন্নতগী শরুক য়াবা ওইনা উহল্লকই। মসি অফবা খোঙথাংদি নত্তে।

লাইনিং লাইশোন ঈরাৎ থৌনীনচিংবদা মীতৈ নুপীশিংনা ফিশেং শেত্তুনা শরু ক য়াবগী চৎনবী ঙসিসু ঙাক্তুনা লাক্লি। হোংলক্লিবা ফিজোলগী মশক্তদি মতমগী মতুং ইন্না অনৌবা লং অনৌবা ময়েক শেৎন–ইন্নবতনি। থোইদোকপা অকায়বা লৈতে হায়জনিং ই। হরাও–কুম্মৈগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং লনাই থবক থৌরমগা মরী লৈননা য়ূমদগী মপান থোক্লা লমজাও শোরোক্তা থোরকপদা মী মীদুগী শেৎফম থোকপা, চৎনবী ফিজোলগী ওন্ন–তৈনবদা মনিং তৌনা শেৎনিংবা ফিজোল শেৎপগী মাঙজবা খঙদ্রিবী নুপীশিংনা হৌখ্রবা পুৰারীগী তাঙ্ককশিংদা লৈরম্বা লাইওইখ্রবা ইমা–ইবেনশিংগী চৎনবী ফিজোল নীং শিংবীবা চুমগনি। চাউখৎপগী মিংদা মশাগী শক্তম মাঙহন্দুনা ইশাখক্কী নুংঙাইনবা খনদুনা চৎনবীবু শীংনবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ২১শুবা চহীচাসিদা হিংমিন্নরিবী মীতৈ নুপী অয়ম্বনা মশাগী নাৎকী ফিজে াল মফম মতম চানা ঙসিসু শীজিন্নরি হায়না লৌবা য়াই। হরাও–নুংঙাইগী থৌরমদা অৰা–অনাগা মরী লৈনবা ফিজোল মীতৈ নুপীশিংনা শেত্তে। পামজৈ লৈজৈ হায়দুনসু ইমুং মনুংগী কূপ্লোমদা, লুহোংবা, চাকচা হৈজানবা, অকে অমৌগী ফিজোল শেৎচিন্দে। লায়রৈ লৈতে হায়দুনসু চৎনবীবু শীংনদুনা মীয়াম তিনবা থৌরমদা অয়ুক নুমিদাংদা শেৎন–ইন্নবা অচম্বা পুমঙৌ ফনেক অমসুং ফি মতেক ইন্দুনা শরুক য়াদে। অরৈবগীসু লৈনা, লৈতবগীসু লৈতনা থৌরম থৌদোক্লা মরী লৈনবা চৎনবী ফিজোল শেৎ–চাদুনা লমদমসিগী নাৎকী মচল অমা ওইরিবা ফিজোলবু অৰাংবা থাক্তা ইকায় খুন্নবগী মশক উবা ফংলি।

অমরোমদা, ইনখৎলক্লিবী নুপীমচাশিং অমসুং মৌনহা খরনা চাউখৎপগী মিংদা য়েংবদা মীৎ নাবা মশাগা চানদবা ফিজোল শেত্তুনা মীয়াম তিনবদা শরূক য়াবসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়গী মনিংতম্বা পূক্লিং ৰাখলবু অফবা অচুম্বা মায়কৈদা পুরকপা হায়বসে অরায়বদি ওইরোই। অদুবু নুপী ওইবী মরু ওইনা মমা ওইবীশিংনা য়ারিবমখৈ চৎনবী ঙাকনা হিংবা, হিং মিন্নবা অমসুং হিংমিন্নবা হোৎনবা চঙই। মমা হায়বসে মচাশিংগী মরূপ্পি, ওজানি পূন্নমক্লি। মতাং মতম চানা নিঙোলশিংবু নাৎকী ওইবা অশেংবা অচুম্বা ফিজে াল মশক খঙহনবীবা, মফম চানা শীজিন্নবা তম্বীবা, মশানা মশাবু শক খঙহনবীবা, মশাগী শক্তম চুন্না অতোপ্পদা শক্তাকচবা ঙমহনবীবদা ফজোলনা মরম ওইদুনা খুন্নাইদা থোক্লক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং দগী খরগী মখৈদি কনবা, ঙাকথোকপা ঙমগনি। চাক চগ্রিং অমনা চেঙকোক অমা মাঙথোকপীবগুম্না মালেমদা শীংথানরিবা মীতৈ নুপীশিংগী থৌনা, তোঙান তোঙানবা থৌদোক থৌরম্থু শক্তাকচবা ঙম্বা ফিজোলগী নীংথিজবা, ৰাখল খন্থবা ৰাৎপা নুপী খরনা হেক হেক মোৎশিল্লকপা ঐখোয়গী লাইবক থিবনি। চৎনবীগী ঈথক ঈরৈদা ঈরোইজদুনা শান্নবদি ফৈ অদুবু ঈরৈদুদা ঈরাক্লহনবদি ফত্তে। তুংশিন্দুনা লৈরিবা মীতৈ নুপীশিং দা য়াওরিবা থৌনা, লৌশিং মতাং মতম চানা শীজি ন্নদুনা ঐখোয়গী শক্তম ঙাকমিন্নসি। ইবেন্না ইবোক্তা, ইবোক্লা ইমাগী তম্বীরম্বা অফবা চৎনবীশিং ঙসিগী মীরোন্না ইচা, ইশুশিংদা তম্বীসি। তুংগী মীরোলগীদমক ইশানা ইশাগী শেৎফম থোকপা ফিজোল মফম মতম চান শেৎমিন্নসি।